

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, JULY 30, 2019 **PAGE 7**

*লাক্কদৌরিবা আই লীগকী সিজন অসিদা গোকুলাম কেরলাদা সাইন তৌদুনা শান্নরগদবা ব্রাজিল মচা ব্রুনো পেলিসারি*

*টুর দি ফ্রান্স সাইকল লমজেলগী অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা কলম্বীয়া মচা ইগান বরনাল*





## ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চহী ২ হেন্না শান্নগদবা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে

*দুবাই, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না চহী ২ হেন্না শান্নগদবা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অহানবা ওইনা হৌদোকখ্রে।

ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মালেমগী টেষ্ট ক্রিকেটকী মকোক থোংবা টিম ৯ না তোঙান-তোঙানবা কন্টিনেন্টশিংদা পাঙথোক্কদবা সেরিজ ২৭ তা টেষ্ট মেটচ ৭১ শান্নগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিং অদুদি ইন্দিয়, ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, বাংলাদেশ, ন্যু জিলেন্দ, পাকিস্থান, সাউথ অফ্রিকা, শ্রী লঙ্কা অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাক ৯ না সেরিজ ৬ /৬ শান্নগনি। সেরিজশিং অসিগী মনুংদা হোম অমসুং অৱে সেরিজ ৩ /৩ গী য়ুম্বু ওইগনি। টেষ্ট মেটচ অমমমগী মতম অসি নুমিৎ ৫ /৫ নি ওইগনি হায়না আই সি সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা সাইকল অনী লৈগনি। অহানবা সাইকলগী ওইনা চহী অসিগী ওগষ্ট ১ দগী হৌরগা কুমজা ২০২১ গী মার্চ ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অদুগা অনীশুবা সাইকলগী ওইনা কুমজা ২০২১ গী জুন থাদগী হৌরগা কুমজা ২০২৩গী এপ্রিল ৩০ ফাওবা ওইগনি।




*আই সি সিনা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ লোঞ্চ তৌখিবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ (দব্লিয়ু টি সি) হৌদোকপগী থৌরম অদু ঙসি লাওথোকখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সাইকলদা চহী ২ হেন্না শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা কুমজা ২০২১ গী জুন থাদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ফাইনেল শান্নগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা আই সি সি ক্রিকেট ওপরেসনগী জেনরেল মেনেজর জিওফ অল্লারদিকনা হায়, ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা টেষ্ট ক্রিকেট মশান্না অসিদা অচৌবা ইনোৎ অমা হাপ্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমদি টি-২০গী মেটচকুম্না টেষ্ট সেরিজ অসিসু মীয়াম্না পাম্না য়েংহনবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি।

য়ুম্বু ওইগদৌরিবা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট বোর্দনা সেরিজ অদুদা চঙগদবা মচাক-মথুমশিং হায়বদি শান্নফম, ব্রোদকাষ্ট, টিকেট্টিং অসিনচিংবশিংগী থৌদাং পুন্নমক অসি লৌগদবনি। আই সি সিগী মায়কৈদগী টেষ্ট সেরিজশিং অদুগী শান্নগদবা মতম লেপথোকপা লোয়ননা মেটচ ওফিসিয়েলশিং মতম চানা পীবগী থৌদাং লৌগনি। অদুবু ফাইনেল মেটচকী ওইনসু আই সি সিগী মায়কৈদগী চপ চাবা থৌদাং লৌগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

## অঞ্জুম মোদগিলনা ৱার্ল্ড রেকোর্দতগী হেন্না কাপখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিলনা ১২শুবা সরদার সাজন সিংহ সেথি মেমোরিয়েল মাষ্টর্স সুট্টিং কম্পিটিসন্দা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দতগী হেন্না কাপখ্রে।

অঞ্জুম মোদগিলনা সুট্টিং কম্পিটিসন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ২৫৩.৯ কাপ্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ৱার্ল্ড নম্বর ৮ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর মোদগিল কুমজা ২০২০ গী ওলিম্পিক্কী কোটা ফংবা ঙমখ্রবনি।

কম্পিটিসন অসিদা মহাক্কী টিমমেট ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী অপুর্ভি চান্দেলানা ২৫২.৯ দা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা রবি কুমারনা গোল্ড মেডল লৌখি। চত্থরিবা কম্পিটিসন অসিদগী দিসিপ্লিন খুদিংমক্কী ওইনা মকোক থোংবা সুট্টর ১৫। ১৫ খনগৎতুনা কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।


## ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা শরুক য়ারগনি, সিন্ধু ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী য়েংলগা তোকখ্রে

*হায়দরবাদ, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ু এস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱাল শরুক য়ারগনি, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সট্টলর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মীৎয়েং থমদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই।

সাইনা নেহৱাল মশাগী অশোকপনা মরম ওইরগা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন অমদি জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

সাইনা নেহৱাল থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দদা জপানগী সায়াকা টাকাহসি নৎত্রগা ইন্দোনেসিয়াগী রুসেল্লি হার্টাৱানগা থেংনরগনি। করিগুম্বা মহাক্না মথং-মথং থোইদুনা চঙলক্লবদি সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেগা শান্নগনি।



ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মীৎয়েং থমদুনা থাইলেন্দ ওপন বেদন্টিন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিদ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ অসিদা মকোক থোংবা শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং, জপানগী নোজোমী ওকুহারা অমদি অকানে য়ামাগুচিসু শরুক য়াখিদ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সট্টলর কিদম্বী শ্রিকান্থ ৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফায়র অমগা থেংনগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সট্টলর সমির ভর্মসু টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। সমিরনা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী শান্নরোই লি ঝি জিয়াগা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সুভাঙ্কর দেনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোতাগা শান্নগনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা অটলান্টাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, দবলসকীনা ইংলোট অমদি ক্রাজিজেকনা ফংখ্রে

*অটলান্টা, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এস এগী অটলান্টাদা চত্থরকপা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট বি বি এন্দ টি অটলান্টা টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা টাইটল লৌখ্রে, দবলসকী টাইটলনা বৃটেনগী দোমিনিক ইংলোট অমদি য়ু এসকী ওষ্টিন ক্রাজিজেকনা ফংখ্রে।

বি বি এন্দ টি অটলান্টা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এলেক্স দি মিনোরনা ২শুবা সিদেদ য়ু এসকী টেলর ফ্রিটজপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা য়ু এসকী রেলি ওপেলকাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭-৬(৭-৪), ৬-৭(৫-৭), ৬-৩ দা থোইরম্বনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা য়ু এসকী টেলর ফ্রিটজনা বৃটেনগী কেমেরুন নুরিবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙলকপনি।



*সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোর*

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা য়ু এসকী টেলর ফ্রিটজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকপদগী সেট অদু টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা য়ু এসকী টেলর ফ্রিটজবু ৭-৬(৭-২) দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটলনা অনীশুবা সিদেদ বৃটেনগী দোমিনিক ইংলোট অমদি য়ু এসকী ওষ্টিন ক্রাজিজেকনা অহানবা সিদেদ য়ু এসকী বোইব্রাইন অমদি মাইক ব্রাইনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৪, ৬-৭(৫-৭), ১১-৯ দা মায়থিবা পীরল্লগা লৌখি।

## হরেন্দ্র সিংহ জুনিয়র কোচকীদমক চে থাজিনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মমাঙদা সেনিয়র নুপা হোক্কী টিমগী কোচ ওইরল্লবা হরেন্দ্র সিংহ জুনিয়র মেনগী কোচকীদমক চে থাজিল্লকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মমাঙদা চহীদা পাঙথোকখিবা হোক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নুপা হোক্কী টিম পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদবদগী হোক্কী ইন্দিয়ানা মহাকপু কোচ ফম অসিদগী লৌথোকখিবনি। পনবা য়াই, হরেন্দ্র সিংহনা কোচ ওইদুনা কুমজা ২০১৬ তা লৈবাক অসিগী জুনিয়র হোক্কী টিম্বু ৱার্ল্ড কপ লৌহনবা ঙমখিবনি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী টিমগী কোচ লৌগদৌরিবা অসিগী মতম অসি কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অসি লোইবা ফাওবগীনি।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র হোক্কী টিমগী কোচ ওইরল্লবা হরেন্দ্র সিংহনা জুনিয়র কোচ ওইনবগী থাজিনখিবা এপ্লিকেসন অদুদা মীরৈবাক্কী কোচশিং দা পীবা খুদোংচাবশিং অদু পীনবগী কন্দিসন থল্লি। কন্দিসনশিং অদুগী মনুংদা থাগী তলব য়ু এস দোলর ১০,০০০ দগী ১২,০০০ ফাওবা পীবগীসু য়াওরি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টি অমদি সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা টেন্নিসকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি

*পেরিস, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না ঙসি লাওথোরকখিবা টেন্নিস মশান্নগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমদি সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বার্টিনা পুন্না পোইন্ট ৬৬০৫ ফংদুনা দব্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি। নুপীগী সিঙ্গলসকী মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী জপানগী নাওমী ওসাকা পোইন্ট ৬২৫৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন কনবা ঙমল্লি।

চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা পোইন্ট ৬০৫৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা পোইন্ট ৫৯৩৩ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসন অদুগা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা পোইন্ট ৫১৩০ দা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরি।



*এসলি বার্টি (ওই) অমদি নোবাক জোকোভিস*

দব্লিয়ু টি এ গী রেঙ্কিং অসিদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা পালরমোগী দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৫ দা লৈরিবা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ৭-৬(৭-৩), ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী স্বিটজরলেন্দগী জিল তৈচমেন হান্না লৈরম্বা মফমদগী থাক ২৮ হাইগৎলগা ৫৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবী স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই জিল তৈচমেন কুমজা ২০১৯ গী হৌরকপদা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংগী টোপ ১৪০ গী মপান্দা লৈরকখিবনি।

ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসননা ঙসি লাওথোরকখিবা মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা এ টি পিগী ওইনা হন্দক্তা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি।

এ টি পিগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নদালনা পোইন্ট ৭৯৪৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা পোইন্ট ৭৪৬০ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙল্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অটলান্টা ওপন এ টি পিগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ু এসকী টেলর ফ্রিটজপু মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখিবদগী পোজিসন ৯ হাইগৎলগা ২৫শুবা রেঙ্কিংদা লৈখ্রে।

রুশিয়াগী শান্নরোই এন্দ্রে রুব্লেভ জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী থাক ২৯ হাইগৎলগা ৪৯শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

## য়ু এসকী নুপী এঠলেট দালিলাহ মুহমদনা মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে

*ৱাশিংটন, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*


য়ু এসকী সিটি দেস মোইনেসতা লৈবা দ্রেক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা য়ু এস এ টি এফ চেম্পিয়ন্সিপ্তা লৈবাক অসিগী নুপী এঠলেট দালিলাহ মুহমদনা নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌদুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে।

য়ু এস এ টি এফ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা লৈবাক অসিগী এঠলেট দালিলাহ মুহমদনা ৫২.২০ সেকেন্দদা চেন্দুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০৩ দা থল্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমদুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মহাক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক চয়োল অনীগী মমাঙদগী ত্রেনিং চথদুনা লাকখিবনি।

নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেল অসিগী মমাঙদা লৈরম্বা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদু কুমজা ২০০৩ দা এঠলেট য়ুলিয়া পেচোনকিনানা ৫২.৩৪ সেকেন্দদা থল্লম্বনি।

মশাগী চহী ২৯শুরবী য়ু এস এগী নুপী এঠলেট অসি কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেল অসিগী সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডল অদুসু য়ু এসকী এঠলেটশিংনা লৌবা ঙমখি। সিলভর মেডল অদুনা টিনএজর সিদনি মেকলোঘলিননা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা ৫২.৮৮ সেকেন্দদা ফংবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুসু টিমমেট এসলি স্পেন্সরনা ৫৩.১১ সেকেন্দদা লৌখি।




য়ু এস এ টি এফ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা য়ু এসকী এঠলেটশিং অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী মিটর ১১০ গী হর্দল লমজেলদা য়ু এসকী দানিয়েল রোবর্টসনা ১৩.২৩ সেকেন্দদা মকোক ওইবা ঙমখি। টিমমেট গ্রান্ট হোল্লোৱেনা ১৩.৩৬ তা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী পোল ভোল্ট ইভেন্টতা ৱার্ল্ড ইন্দোর চেম্পিয়ন য়ু এসকী সান্দি মোরিসনা মিটর ৪.৮৫ লান্না চোংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। য়ু এসকী অতোপ্পা এঠলেট মশাগী চহী ৩৭শুরবী জেন সুরসু ৪.৭০ চোংদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রবসু দোহাগী চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলচেজদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইম্মা কোবর্ননা ৯ঃ২৫.৬৩ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। লোপেজ লোমোংনা মিটর ৫০০০ গী ওলিম্পিক সিলভর মেডালিষ্ট পোল চেলিমো মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

## ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপকী মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকানা ইটালিগী ক্লব মিলানবু গোল ১-০ দা থোইখ্রে

*ফোক্সবোরো, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এস এগী সিটি ফোক্সবোরোদা লৈবা জেলেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপকী মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকানা ইটালিগী ক্লব মিলানবু গোল্ড ১-০ দা থোইখ্রে।

পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপ অসিদা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাকপা ঙমদুনা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লব ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপ অসিদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবগী খুদোংচাবা লৈরি।

অতোপ্পা ক্লবশিংদি পোজিসন ফজখিদবদগী টাইটল ফংবগী খুদোংচাবা লৈত্রে। পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকাগী মেটচ অমা শান্নগদবা লৈরি। অদুগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকীনা মেটচ ২ শান্নগদবা ৱাৎলি। মখোয়গী রিজল্ট অসিগী মতেংনা চেম্পিয়ন ওইবা টিম অদু মশক খঙগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-পত্থাপকী মতুং ইন্না মকোক থোংবা টিম অদুনা চেম্পিয়ন ওইগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি বেনফিকা অমদি মিলাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখি। মেটচকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা বেনফিকাগী শান্নরোই অদেল টারাবনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু বেনফিকানা মিলানবু ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি।

## ধ্রুভ চান্দ জুরেলনা য়ুঠ এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা ধ্রুভ চান্দ জুরেলনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম লুচিংলগনি।

য়ু কেদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিগী মিটিংদা শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ অসিদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ নুপা ক্রিকেট টিমগী স্কৱাদ অদু খনখিবনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা অথিংবা থমখ্রবা রাসিখ সলামগী মহুত্তা প্রভাট মোরিয়াবু ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ স্কৱাদ অসিদা য়াওহনখ্রে।

য়ুঠ এসিয়া কপ ২০১৯ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ক্রিকেট টিমগী স্কৱাদ অদুদি ধ্রুভ চান্দ জুরেল (কেপ্টেন এন্দ ৱিকেটকিপর), সুভেদ পারকার, থাকুর টিলক ভর্ম, নেহাল ৱাধেরা, আর্জুন অজাদ, সাসৱট রাৱট, ভরুন লাভান্দে, সালিল অরোরা, কারন লাল, অথার্ভা অনকোলেকর, পঙ্কজ যাদব, অকাস সিংহ, সুসান্ট মিস্রা, পুরনাক তিয়াগি অমদি ভিদ্যাধর পাটিলনি।

### ক্রোসৱার্দ ২৩৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | M | A | M | | M | I | N | C | E | | V | I | E | D |
| D | A | T | A | | A | V | I | A | N | | I | D | E | A |
| A | C | T | I | V | I | S | T | M | A | L | C | O | L | M |
| H | E | A | T | E | D | | | E | M | A | I | L | | |
| O | S | C | A | R | | T | I | R | E | D | | A | P | T |
| | | K | I | S | S | I | N | A | L | E | T | T | E | R |
| | | | | E | T | N | A | | | N | U | R | S | E |
| M | O | L | D | | P | A | R | S | E | | B | Y | T | E |
| A | V | O | I | D | | | A | L | M | S | | | | |
| T | E | N | T | O | A | U | G | U | S | T | U | S | | |
| E | N | G | | I | N | N | E | R | | A | L | I | B | I |
| | | H | A | N | K | S | | | P | I | L | L | A | R |
| W | R | O | N | G | A | N | S | W | E | R | M | A | R | K |
| E | A | R | N | | R | A | T | E | R | | A | G | E | E |
| D | Y | N | E | | A | P | E | E | K | | N | E | R | D |